# এআইটিএ সেরিজ অন্দর–১২ টেন্নিস টুর্নামেন্ট

## সোহিনি মোহনটিনা নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে, সোহিনি অমদি নন্দিনি অমসুং নিরজ অমদি সঙ্করগী জুরাশিংনা বোইজ অমসুং গার্লসকী দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে





নুপীমচা দবলসকী ৱিন্নর ওইখিবী সোহিনি মোহনটি অমসুং লাইশ্রম নন্দিনি , নুপামচা দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ঐচ সঙ্কর অমসুং টিঐচ নিরজ (ওইদগী)

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৮ঃ

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর্স ক্লবকী টেন্নিস কোর্টতা এআইটিএ চেম্পিয়ন্সিপ সেরিজ ফোর অন্দর –১২ বোইজ এন্দ গার্লস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ওরিষাগী সোহিনি সজয় মোহনটিনা ষ্টেট অসিগী ৱাই থোইবিবু মায়থিবা পীরন্নগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ৱিন্নর ওইখিবী সোহিনি মোহনটি অমসুং লাইশ্রম নন্দিনি অনিগী জুরানা নুপীমচাগী দবলসকী ইভেন্টতসু ৱিন্নর ওইখ্রে। অদুগা নিরজ থোকচোম অমসুং সঙ্কর হৈস্নাম অনীগী জুরানা নুপামচাগী দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা মণিপুরদগী শান্নরোই ৬, অসামদগী ১১, ত্রিপুরাদগী ৩, কর্নাতাকাদগী ১, তামিল নাদুদগী ১ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ২ পুন্না নুপামচা শান্নরোই ২৪ অমসুং নুপীমচাগী কাংলুপ্তা ওরিষাদগী শান্নরোই ৩, ষ্টেট অসিদগী শান্নরোই ৩ অমসুং অসামদগী শান্নরোই ২ পুন্না নুপীমচা ৮ না শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা সোহিনিনা ৱাই থোইবিবু সেট ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা নুপীমচাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সোহিনি অমসুং নন্দিনিগী জুরানা নিংথেমচা সনারৈমা চনু অমদি ৱাই থোইবিগী জুরাবু সেট ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

সোহিনি মোহনটি ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা সজয় মোহনটি অমসুং রাইশ্রী চিনমোয়ি শ্রীচন্দন অনীগী মচানুপীনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক ভুবনেশ্বরগী লোয়োলা স্কুলদা ক্লাস ৫ তন্লিবী মহৈরোইনি।

সোহিনি হন্দক চহিগী পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অনিদা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবীনি। মহাক্না চৎলিবা চহি অসিগী জুন ৪ দগী ৮ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন সেরিজ –৭ দা অন্দর–১২ অমসুং ১৪ গী কেতেগোরিশিংদা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিমক্কী অন্দর–১২ কী দবলস ইভেন্টতা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

অদুগা মহাক্না ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা আইদিটিএ সুপর সেরিজ অন্দর–১২ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

দবলসকী ৱিন্নর ওইখিবী লাইশ্রম নন্দিনি লমফেল সনাকৈথেলদা লৈবা এল সুভাস সিংহ অমসুং এল নন্দ্রানি অনীগী মচানুপীনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক পাঙৈদা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী স্কুলদা তন্লিবি মহৈরোইনি।

অতোপ্পা বোইজ দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নিরজ থোকচোম অমদি সঙ্কর হৈস্নাম অনীগী জুরানা অশ্বজিৎ সেঞ্জম অমসুং গাবিন ৱাহেংবমগী জুরাবু সেট ৭–৬ (৪) অমসুং ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

কেতেগোরি অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা অসোজিৎ অমসুং গাবিনগী জুরানা জিস্নু পি দাস অমসুং আরিয়ান বোরাগী জুরাবু সেট ৬–৪, ৬–১ দা অদুগা নিরজ অমসুং সঙ্করগী জুরানা অন্তারিক তামৱি অমসুং ভি এ কালিতাগী জুরাবু সেট ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা সোহিনি অমসুং নন্দিনিগী জুরানা তায়ে রিমা অমসুং রাজকুমারি অদ্রিকাগী জুরাবু সেট ৬–৩, ৬–১দা অদুগা সনারৈমা অমসুং থোইবিগী জুরানা গৌতম দিক্সা অমসুং অরাদিয়া বর্মাগী জুরাবু সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই থোইবিনা অসামগী অদ্রিকা রাজকুমারিবু সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অসোজিৎ শেঞ্জমনা নিরজ থোকচোমবু তাই ব্রেক্তা সেট ৬–৪, ৭–৬, ১০–৪ দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা কেতেগোরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা অসামগী অন্তারিক তমুলিনা সঙ্কর হৈস্নামবু সেট ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হয়েং লোইশিল্লগনি। হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭তা নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা অশ্বজিৎ সেঞ্জম অমসুং অন্তারিক তামুলিনা লম্বা তৌনরগনি।



নুপীমচাগী দবলসকী রন্নর্স অপ তাহৌরবা ৱাই থোইবি অমসুং অদ্রিকা রাজকুমারি




# খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ অমদি য়াইস্কুল কাংখুৎনা গম্ভিনি লৈমা নীংশিং কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৮ঃ



থাংমৈবন্দগী লাইজিং নিংথৌ কাংশঙদা জোটিন ৱাইখোমনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরক্লিবা ৪শুবা ৱাইখোম গম্ভিনি লৈমা নীংশিং কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা শঙ্গোলবন্দ কাংখুৎপু পাঞ্জল ৮দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎকা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯ না গ্রুপ মরি থোক্তুনা জুলাই ১৯দগী হৌদুনা শান্নরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা পাঞ্জল ৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা শগোলবন্দ কাংখুৎনা পাঞ্জল ৭ লৌদুনা খুন্দ্রকপমনা পাঞ্জল অনী অহানবা হাল্ফতা লিদ তৌদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা শগোলবন্দ কাংখুৎনা পাঞ্জল ১০ লৌদুনা খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ২৫–১৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী জর্জনা ইবোতোম্বীনা ওইখি। অদুগা তাইম কিপর অমসুং স্কোর বোর্দনা কে ঐচ জোনি কুমার অমসুং হিজম কুমারনা ওইখি।

মায় পাকখিবা খুন্দ্রাকপমগী শান্নরোইশিং অদুদি নোংথোম্বম লৈশঙ, থাংজম খেল সিংহ, এল ধিনামানি, এল সুরজিৎ, কে ঐচ সন্তিকুমার, দব্লিউ জয়চন্দ্র, টি ঐচ জুগিন্দ্রো, এন ইনাওতোম্বী, টি ঐচ থোইবা, এ নিংথেমজাও, লালাবী অমসুং এল সরত নি।

শগোলবন্দ কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি এন সোনাচন্দ, এস ইবোচা, এন নাবাদিপ, এম বিজয়, কে ঐচ প্রিয়োকুমার, এস সোমোরজিৎ, এম হোমেশ্বর, কে ঐচ বোয়াই অমসুং এল ফুনিলনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫গী মতুংদা নৌনা মতম লেপ্তুনা শান্নরগনি।



# ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙাম্বী নিংশিং মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## কেএসসি রানিভেং অমদি লালপানি এসৱাইসি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৮ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙাম্বী নিংশিং অন্দর–১৩ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অহানবা মেটচতা কেএসসি রানিভেং অমদি লালপানি এসৱাইসি গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা আরৱাইসি রমগাইজাংনা ওরিয়েন্টেল ক্লব, বাবুপারাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কেএসসি রানিভেং অমদি লালপানি এসৱাইসি শান্নখি। কেএসসি রানিভেংনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা লালপানি এসৱাইসি বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা কেএসসি রানিভেংগী শান্নরোই জোন রোবার্টনা ৫শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা কেএসসি রানিভেংগী একাউন্ট হাংদোকখি। মতুংদা টিম অসিগী তিলমিনলেন না ৭শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা কেএসসি রানিভেং না গোল ২ শুখি। মসিগী মায়োক্তা লালপানি এসৱাইসি গী শান্নরোই মেরিয়েল না ২৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা কেএসসি রানিভেং না লালপানি এসৱাইসিদগী গোল ২–১ দা মাংজিন থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুং লালপানি এসৱাইসি গী শান্নরোই লালথুপেক না ৪৭ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা অপীবা মতমগী মতুংদা টিম কেএসসি রানিভেং অমদি লালপানি এসৱাইসি গোল ২–২ চন্দুনা দ্রো ওইখি। রেফরিনা কেএসসি রানিভেংগী শান্নরোই লাল্লাৱান কুংবু ৪৩শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা জোয়েল ভি, অজিজ হায়দর, লেন্টিমসেম সিংসন অমদি ই তোমচৌনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

অনীশুবা মেটচতা আরৱাইসি রামজাইজাং অমদি ওরিয়েন্টেল ক্লব, বাবুপারা টিম অনীনা শান্নখি। আরৱাইসি রামজাইজাংনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লব, বাবুপারানা বোল কাওবা হৌখি। আরৱাইসি রামজাইজাংগী শান্নরোই গাইবিদিন না ২০ শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা আরৱাইসি রমজাইজাংগী একাউন্ট হাংদোকখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা আরৱাইসি রমজাইজাং না গোল ১–০ দা মাংজিন থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা আরৱাইসি রমজাইজাংগী শান্নরোই গাইবিদিন না ৩১ শুবা মিনট অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা গোল ২ অমগা চনখি অদুগা কাবিলুনা ৫২ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা অপীবা মতমগী মনুংদা আরৱাইসি রমজাইজাংনা ওরিয়েন্টেল ক্লব, বাবুপারাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা লেন্টিমসেম সিংসন, এন সুরজিৎ সিংহ, অজিজ হায়দর অমদি ই তোমচৌনা সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী জুনিয়র নুপীমচা অমদি সব–জুনিয়র নুপামচাগী টিমশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৮ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা তোঙান তোঙানবা জুনিয়র নুপীমচা অমসুং সব–জুনিয়র নুপামচাগী নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ষ্টেট টিম অনীগী মমিংশিং লাওথোকখ্রে।

গৌৱাদা থা অসিগী ২০ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেট অসিগী খনগৎলবা নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস ঐচ মোনিকা অমদি এল মোনিকা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন খুসি দেবীনি। দিফেন্দরদা– ইম্ফাল ইষ্টতগী দব্লিউ কনচন, ঐচ পুস্পা, পিঐচ অসিলা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৱাই পাকপী, সারিতা য়ুম্নাম অমসুং ৱাই জেনিতা নি।

মিদ ফিল্ডরদা– ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কে ঐচ লক্ষমি, ৱাই লক্ষমি, ৱাই ইন্দিকা অমদি এল বেবিদোনি, ইম্ফাল ইষ্টতগী এ নিলম অমদি ও লমঙাম্বী অমসুং দিএসএ ককচিংদগী য়ু পুস্পারানি নি।

ফোরৱার্দতা– ইম্ফাল ৱেষ্টতগী টি ঐচ বেবিসনা, মোইলুনসিয়ম অমদি ঐচ বালেশ্বরি অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী পি সনাথোকপীনি।

অতোপ্পা মীজোরামদা থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব–জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি– গোল কিপরদা– ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এন জি য়াইফবা অমসুং কে ঐচ ৱাঙম্বনি।

দিফেন্দরদা– ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এল ধাকেশ্বর অমদি আই অরুনকুমার, দিএসএ বিষ্ণুপুরদগী এল কেনেদি অমদি ও অবিনাস, দিএসএ চান্দেলদগী এ আলেক্স লমকাং, দিএসএ ককচিংগী এ লমঙাম্বা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী এস ঐচ সুরাজ নি।

মিদ ফিল্ডরদা দিএসএ বিষ্ণুপুরদগী এল জয়কিসন অমদি এমদি সকির, দিএসএ চান্দেলদগী কেনফা সহা অমদি টিএস থুমসন, ইম্ফাল ইষ্টতগী পিঐচ মাহেস অমদি আর কে ধনারাজ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মাইকেল কিপজেন নি।

অদুগা ফোরৱার্দতা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৱাই মোনিস, ৱাই ৱারিস অমদি পি ঐচ সুবাস অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কে মোনেক্সনি।

খনগৎলবা নুপামচাগী শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী টিম কোচ সান্ত অমদি মেনেজর জানেখানদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা থা অসিগী ৯গী অয়ুক পুং ৭তা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

অদুগা খনগৎলবা নুপীমচাগী শান্নরোইশিং অসি মখোয়গী টিম মেনেজর মণিতোম্বী অমসুং টিম কোচ রাজেস মৈতৈ দা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com